ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯃꯦ ꯰꯴, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯳꯶ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মে ০৪, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ০৩৬শুবা মশীং

# অমোৎ-অকায় লংথোকফম লৈরক্তবা

## লৈঙাক্না অথুবদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই

য়ূমথোং অমমম্না নুমিৎ খুদিংগী হুন্দোক্লরক্লিবা অমোৎ-অকায়গী চাং অসুক্কী মতিক য়াম্মী হায়না লৌবা য়াই। নুমিৎ খুদিংগী থোং-থাক্লবা এঙ্গাং শেন্বদা লেমহৌবা শরুক অমসুং লুখাক-চগুম্ন চিংবা অমোৎ-অকায়শিং নোংমা-নিনিদং পুনশিল্লবদি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। মতম অমদা শুমাং-মাঙ্গোল নাইদুনা লৌরি-ইঙ্খোল মতিক চানা অমদি মরাং কায়না পাক-চাউনরিঙৈদা য়ূমথোং খুদিংগী লুখাক-কোম থম্লরম্মী। মতমগী অওনবা মতুং ইন্না নোংমা নোংমগী মীশিং হেনগৎলকপনা লুখাক কোমদি লায়রদনা শুমাং-মাঙ্গোল ফাওবা লৈনরক্রে। য়ূমথোং খুদিংগী পুখ্রি অমমম থম্লবগা লোয়ননা ইঙ্খোল কোয়দুনা অতেকপা মনা-মশিং খুদক-খুদক্তা হেক্তুনা চানরল্লবসু ইঙ্খোল কোয়বদি লায়রদনা মচিন-মনাও লম য়েন্থোক্লবদা মশা-মশাগী তোঙান্না য়ূম শাবগী মহুত্তা দোলান মথোল-মথোল ৱাংনা শারগা কা মথক-মখা ওইনা য়েন্থোক্লবগী ফীভমদা লাক্লে। ঈশিং খুয়া অমা ফাওবা লেম্না শোকফম লৈরক্রে। মরোই মকা অমা নৎত্রগা ফদিগোম মনা অমা ফাওবা কৈথেলদগী লৈরগা শীজিন্নরক্লে। অসিগুম্বা ফীভম অমা লাকপসিদা মীয়াম্না খ্বাইদগী চাউনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবসি অমোৎ-অকায় লংথোকফম লৈতবগী মতাংদনি। মতম খরা অমোৎ-অকায় পূম্নমক খোমদোক্লগা লমদেংদা লৈবা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজন্টে প্লান্টতা হুন্দোক্লল্লবসু মফম অদুগী মীয়াম্না অথিংবা পীরকপদগী মখা তানা অমোৎপা হুন্দোকপা য়াদ্রে হায়বা ৱাফম অমা থোরক্লে। লৈঙাক্না মীয়ামদা থমখিবা ৱাফম থবক্তা ওন্থোরক্তবগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোকপা ওইনা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্টতা মখা তানা অমোৎ-অকায় লংথোকহল্লকখিদবনি হায়রি। লংথোকফম লৈত্রবা অমোৎ-অকায় পূম্নমক ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী) গী কমপ্লেক্সতা পৈশিন্দুনা থল্লে হায়রিবসি অৱাবগী মশকনি। আই এম সীগী শিন্মীশিংনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমদি ইম্ফালগী মফম পূম্নমক্তগী খোমগৎলকপা অমোৎপশিং লমদেংদা হুন্দোকপা চৎপদা মফম অদুগী মীয়াম্না এপ্রিল ৩০দগী হৌনা অথিংবা পীরকখিবনি। সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্টকী অকোয়বদা নীংথিনা চেকপল খাগৎপীবগা লোয়ননা দ্রেনেজ মতিক চানা শেন্বীনবা অকোয়বগী মীয়াম্না লৈঙাক্তা থল্লকখিবা ৱাফম থবক্তা ওন্থোক্তবা মরম্না অমোৎপা হুন্দোকহল্লক্তবনি হায়না আই এম সীগী মেয়র এল লোকেশ্বরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। মতম খরগী ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী মফম অমদা দম্পিং সাইট শেমদুনা অমোৎ-অকায় হুন্দোক্লল্লবসু হৌজিক্তি মফম অদু পীক থল্লকপা মরম্না অমোৎপা হুন্দোকফম লৈরক্রে হায়রি।

রিপোর্ট অমনা হায়, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোয়বদা পৈবা অমোৎপা পূম্নমক খোমগৎলগা হুন্দোকফম লৈতবা মরম্না আই এম সী কমপ্লেক্সতা পৈশিল্লম্বনি। কমপ্লেক্স অদুদসু হৌজিক্তি অমোৎপা পৈশিনফম লৈতবগী ফীভম লাক্লে। লৈকায়-লৈকায়দা এন জি ওশিংগী খূৎথাংদা য়ূমথোং খুদিংদগী খোমগৎলকপা অমোৎপশিংসু হুন্দোকফম লৈরক্রে। নাকল অমরোমদা লমদেংগী সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্টতা মফম অদুগী মীয়াম্না হৌজিক হোরেন অমোৎপা হুন্দোকহল্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈত্রি। খোমগৎলুবা অমোৎপশিং হুন্দোকফম লৈত্রবনিনা আই এম সীগী কমপ্লেক্সতা পৈশিন্দুনা থল্লকপা মশানা তাবনি। অমরোমদা আই এম সীনা কৈথেলগী অকোয়বা অমসুং এন জি ওশিংনা য়ূমথোং খুদিংদগী খোমগৎলম্বা অমোৎপশিং মতম শাংনা খোমগৎপা লাক্ত্রবদি মীয়াম্নসু অচেংবা তাঞ্জা য়েংলগা লৈকায়গী খোংবান্দা নৎত্রগা মনাক নকপা তুরেল মপালদা হুনে দাক্লরকপদা থোইদোক্না ঙক্লিংঙাই ওইগনি নীংদে। অমোৎ-অকায় পূম্নমক ইমুংদা পৈশিন দুনা থম্বদি য়াদবনিনা ঙমজ-ঙমজবা পান্বে শীজিন্নদুনা হুন্দোক্লবা থৌরাং লৌখৎনরকপা মশানা তাবনি। মসিনা মরম ওইরগা লৈকায়-লৈকায়গী ঈরম-খোংলম ফুঞ্জিল্লকপা অমসুং তুরেলগী ফীভম শোকচিল্লক্তুনা অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিল্লকপদগী লায়না কয়া পোকহল্লকপা য়াই। এয়র পোল্যুসন অমসুং ৱাটর পোল্যুসননা মীওইবদা করম্বা চৈথেং পীবগে হায়বা পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। মপুন্সিগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নরক্তবা মীওই কয়াদা কিনীংঙাই ওইরবা লায়নাশিং পোকহল্লকপগী মরু ওইবা মরমদি এয়র পোল্যুসন, ৱাটর পোল্যুসন অমসুং অকোয়বগী ফীভম মোৎশিল্লকপননি হায়না ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন্না ফোঙদোক্লি। হন্দক্তা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন্না হায়, মালেমদা খ্বাইদগী ফবনি হায়বা ফিলটরিং মেছিননা চুমথোক্লবসু মীওইবনা নুমিৎ খুদিংগী থক্লা-চানরিবা ঈশিংদা অমোৎপা (পোল্যুটেন্ট) মখল কয়ামরুম য়াওই। মীৎনা উবা ঙমদবা পোল্যুটেন্টশিং অদু ঈশিং থকপদা য়াওখ্রগা হকচাং মনুংদা চঙখ্রবা মতুংদা ফ্রী রেদিকেলশিং থোকহল্লক্তুনা দাইবেটিস, হার্ট দিজিজ অমসুং কেন্সরনচিংবা লায়না কয়া ওইহল্লকপা য়াই। বোটলদা হাল্লগা য়োল্লিবা ঈশিংসু অদু মঙায়রে। কেমিকেল মখল কয়ামরুম শীজিন্নরগা তরু-তরুবা ঈশিং ওইহল্লকপা মরম্না হকচাং শোক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। পূম্নমক অসিনা মরম ওইরগা অকোয়বগী ফীভম লূ-নান্না থম্নবা, ঈশিং-নুংশিৎ শেংহন্নবা অমসুং অমোৎ-অকায় মফম চানা লংথোকফম থম্নবা হোৎনবদা লৈবাক্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই। অনা-অয়েক য়াওরল্লগা লায়েংবদা মতেং পাংদুনা হকশেলগী তেংবাঙ পীগনি হায়না খোঙ্গ্রাই নিক্তুনা লৈথোকপগী মহুত্তা অনা-অয়েক য়াওহন্দনবা হোৎনহৌবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি নীংই।

## ...এডিটরদা থারকপা চিঠি ...

### শিন্মীশিংগী নুমিৎ

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

মে দে, মেগী তাং ১ ইহান হান্না অমেরিকাগী চিকাগোদা পাঙথোকখি। মসি ইচম চম্না শেমখিবা নুমিৎ অমা নত্তে। অমেরিকাদা শিন্মীশিংবু মখোয়গী অচৌ-অচৌবা ফেক্টরি, কল-কারখানাদা মদুগী মপু ওইরিবা শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিংনা শীজিন্ননীংবা মওংদা মীওইবগী রাইট খোঙ্গাওনরগা ওৎপী নৈবীবা, ফুবী চৈবীবা, অকক্লবা মতম লৈতনা অহিং নুংথিল খাইদনা মখোয়গী পান্দম ফংনবা থবক শূহনবা, খূৎশুমন্না মতিক চানা পীবিদবা অসিগুম্বা কয়াদগী শিন্মীশিংনা অকনবা ঈহৌ হৌরকখি। মদুদা শিন্মী কয়াগী পুন্সি ঈহৌদুদা পিখম্লখি। অদুবু ঙসিদি মালেমগী থাক্তা নুমিৎসি লম-লম খুদিংগী থৌরম অসি পাঙথোক্লরি। মণিপুরদদি মসিগী ৱাহন্থোক ইরৈ লৈতবগুম্না উরি। ঐনা খঙজবদা থবক শূবা শিন্মী, অহানবদা মফম অদুগী থিকাদার (থবক মপু) অদুগা মমল ঙাঙনরগা থবক শূবা শিন্মী, অনীশুবদা অকক্লবা মতম পীরগা শূবা শিন্মী, অহুমশুবদা থা অমদা লুপা অসুক পীবা, মফম-মতম অকক্লবা লৈতবা শিন্মী অসিনি। অদুবু মণিপুরদা য়াম্না চাউবা ফেক্টরি কল-কারখানা লৈতবনি। ঐনা হায়নীংবদা মণিপুরদদি চেক্লোন, মসিদা শূরিবা শিন্মীশিং অসিনা ইয়াম য়াম্বা মাল্লি। মখোয়শিং অসি মতমগা চানবা খূৎশুমল ফংলিব্রা? মথংদা য়ূম কৈ শারিবা বিলাটিমাটি অমসুং উগী থবক শূরিবা, লম্বী-থোং, থবক শূরিবা শিন্মীশিং খূৎশুমল মতমগা চুনবা খূৎশুমল ফংলিবরা? ঐনা য়াম্না পল্লুদ্রবসু মীয়াম্না লোইনা খঙনরবা ৱাফমনি।

মণিপুর লৈঙাক্কী লোইশঙ হায়গদ্রা, করি হায়গদবনো য়ুনিয়ন অমদি লৈ হায়না তাজে। ওল মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্কর্স ৱেলফ্যের য়ুনিয়ন, মসিনা শিন্মীশিংগী কদাই ফাওবা কান্ননবা শিনবীখ্রবগে? য়ুনিয়ন অসিগী চৎন-কাঙলোন ময়াম অমা লৈরমগনি। অদুবু মণিপুরদা লৈরিবা শিন্মীশিংনা মদুগী চৎন-কাঙলোন কয়াম খঙলবগে নৎত্রগা কান্নবা কয়া ফংখ্রবগে? শিন্মীশিং কান্নবা ফংগদবা ময়াম অমা লৈ হায়, তাবা উবদি ইরৈ লৈতে। নোংমগী চারা তাঞ্জরগা হিংজরিবা শিন্মীশিংনদি মদুগুম্বা কান্নবশিং ফংবা ঙমলোই। মরমদি নোংমগী চারা হোৎনরিঙৈদা। মদুগুম্বদা থিদুনা কোয়চৎ চৎলিবা মীওইশিংনা মদুগুম্বদু ফংগনি। অদুবু হায়জনীংবদি য়াম্না লৈ, নুমিৎসিগা চান্নদবসু ওইবা য়াই। শিন্মী লৈবগী শেঞ্জাও পায়বা লৈবনি। শেঞ্জাও পায়বা ঙাক্তনা খুন্নাইসিদা লৈবা য়ারোই। অদুনা শিন্মীশিংগী তুংগী পুন্সিগীদমক্তা লৈঙাক্না মখোয়বু তংদু লৈতানা হিংবা পুন্সি ওইনবগীদমক্তা মখোয়না শূবা ঙমদ্রবা মতমদা নুংঙাইনা হিংনবগীদমক্তসু মখোয়গী অফবা থৌরাং শিনবীয়ু হায়না হঙ্গৎচরি।

**অদোমগী - লাইফ্রাকপম বীরমনি মৈতৈ**
**ময়াং ইম্ফাল মাইবম কোঞ্জিন**

# লোংদাউদা ওইরসু

**ৱাইরু ৱাইরুবদা**

কম্যুনিটি হোলগা পুখ্রি অচৌবগা কনানা মরু ওইরিদগে? ঐ খঙনবা য়াম্না কুইনা হোৎনখি। রিছার্সমক্তি তৌবা হৈতবনিনা তৌরুদে, মাগী মেথোদোলোজি অদু ঐনা ঙমগদবা হৈগদবা শুক্লে লৈত্রবনিনা। পুখ্রি অচৌবা, পুখ্রি মচা কয়া মথং মথং মীৎমাঙদা মাঙখি। ফনা য়াম্না মাঙখ্রে শুক্লেবু লৈবু লৈরক্রে।

পুখ্রিদি লায়রি পাৎ কয়া মাঙখ্রে, য়ারলপাৎ, লম্ফোপাৎ, পোরোম্পাৎ, খমলাংপাৎ, ...পাৎ, ...পাৎ, ...পাৎ অসিনচিংবা । পাৎতা নত্তে তুরেল ফাওবা মাঙখ্রে, তুরেল কয়া তুরেল মান্দ্রে কংখ্রে, থেনগৎখ্রে, শুপচিনখ্রে, ঈশিং হায়বসি ঐখোয়গী য়েক্লবা ওইনা লাপ্না তান্থোকখ্রে।

পুখ্রিগী মহুৎতা মচু মচুগী ফজরবা কম্যুনিতি হোল কয়া কয়ানা ঙান্থোইররে। চাও-খৎলকপগী চপ চাবা মশক ঈশিং মোৎহনবা, ঈশিং মাঙহনবদা লৈরম্মে। মহৌশাদি ঈশিং য়াম্না শীজিন্নবগী চাংনা চাওখৎপগী চাং লেপ্পী হায়নরম্মী, হৌজিক্তি মসিগী ওন্ন-তৈনবদা পাৎ ফুনজিনবা, পাৎতা য়ূম শাজিনবা, পুখ্রি ফুনজিল্লগা কম্যুনিতি হোল শাজিনবা, পাৎতা হূ হৈথরগা ঙা-চাক ফাবা। ফত্ত হৌদি হৈজিনবা, হৈদোকপা, ওক, ঙানু, য়েন অশিবা লংথোকফম ওইরকপা, ঙানু লোইশিনবা, তোইলেটকী মহী মচুম থাদফম নালা ওন্থোকপা, প্লাষ্টিক বোট্‌ল, চেথী-চেগুম থাদফম গার্বেজ ওন্থোক ওন্থোক্লগা ঐখোয়গী চাওখৎপগী চাং ওনবদৌনা হেক তৌরে।

খোংবান হায়বা ৱাহৈসি তাবু তারক্রে। খোংবানগী মহুৎতা য়ূম মচা অমা তপথনরে। ঈশিংগী শৈদাংফম লৈরক্তরে। ঈশিংনা মীওইববু কিদুনা চেনবসু লৈরে। ঈশিংগা মীগা মরুপ ওইনরক্তরে।

লীক্লিদা হানবা, গ্লাসতা য়াওবা, টেঙ্কি মনুংদা য়াওবা, কোনজিলদগী তারকপা ঈশিং নত্তনা ঈশিংনা মাগী মহুম মনুংদা পোথাজবা উবা ফংদ্রে। হৌজিক্কী অঙাংশিংনা ঈশিং অসি লিক্লিদা য়াওবা গ্লাসতা য়াওবা অসি নত্তনা উবা ফংদ্রে। নোংজু থাগী মতমদা ইমুংদা শাউদুনা ফি ফি কাম্মগা চঙলকপা ঈশিং অদুগা মাগদি অমুক য়েক্লবা ওইনা খা চিক্লা খল্লে, ঈশিংবু উরগা ঈশিং হাৎলগে হায়না ফি শেম্নরে। ঈশিং অসি দাকু জগৎসিংহ নৎতে। ঈশিং দাকু জগৎসিংহ শুকনৎ নত্তে। ঈশিংদি ঐখোয়গী মরুপকীসু মরুরপনিকা হায়জনীংই।

হৌজিক মতমগী অঙাংশিংনা ঈরোইবা ফংদ্রে। ঈরোইবা তমদ্রে, ইরোইবা হৈত্রে। স্কুল, কোলেজগী মহৈরোয়শিংনা খ্বাইদগী ইহান হান্না তম্লগদবসি ইরোইবা অসিনি। অতৈ অতৈ অমত্তা হাপত্রিঙৈ সিলেবসকী খ্বাইদগী মতোন দা হাপকদৌরিবা অসি ইরোইবনি। থাঙ-তা, চীং কাবা, জুদো, করাটে, কম্প্যুটর, ক্রিকেট, য়ুবী লাকপী, যোগ, ময়াম অসি হৈত্রবসু ইরোইবফাওবদি হৈতবা য়াদ্রে। হিংগে হায়রবদি ইরোইবা হৈতবা য়াদে, হৈনীংদে হায়দুনা হৈজরোই হায়বা য়াদে। হিংনবগী থবকনি। সাইকল থৌবা হৈতবা, স্কুটর থৌবা হৈতবা মী য়াম্না লৈ, মখোয় লোইনা হিংঙি, ইরোইবা হৈতবা মীদি অদুম শিবা তাবনি। মণিপুর অসি চহী খুদিংগী ঈচাউ থোক্তুনা য়ূম য়াম্না থুম্বা ষ্টেট অমনি অদুনা মী খুদিংমক ইরোইবা হৈজিন্দবা য়াদে। ইরোইবা হৈত্রবদি হিংবা লুরক্কনি।



মহৌশাদি পুখ্রি, পাৎ, তুরেল মরাং কায়দুনা য়ূমদা ইরোইবা লোইনা তম্নরম্মী। লৈশাবী ময়াম্না তুরেলদা ইরোইবা চৎনরম্মী, মৌ নহা ময়ামসু তুরেল মপান্দা, পুখ্রি মপান্দা চেঙহী শম্বাল লাংলগা ইরোইনরম্মী। ইরোইফম শেমগৎতবা য়ারক্রে, ইরোইবা হৈজিন্দবা য়ারক্রে। ইরোইবনা মরুনি। ইরোইবা হৈতবা ইচা ইশুশিং মপান্দা ত্রেনিং থাদোকপীগনুকা হায়নীংলে । ইরোইবা হৈনবা লাক্লবিয়ু। লোংদাওদা ওইরসু হৈবা মথৌ তাই।

# নিংথৌনা লৌবা পিবারেলগী থৌদাংশিং

**নবকুমার ওইনা**

মালেমসিদা নিংথৌ পানবগী চৎনবী য়ানদ্রে, পাম্নদ্রে হায়বদি খঙনরবনি। অদুমকপু শি-খাং খাংবা খরদি নিংথৌ খুভম ঙাক্তুনা থম্নবা ঙম্নরি। নিংথৌ খুভমদুদা অমুক হন্না লমদমসিগী লৈঙাক পায়বগী থৌদাং পীনরকখিগদ্রা হায়বসি হংবা য়ারিবা ৱাহংলা? পাম্নদ্রবসু শিখাং খাংবা হায়বসিবু ফজবা অমদি ওইদ্রবনি। লমদম অসিদা নিংথৌ হায়বা ৱাহৈসি কয়া কুইনা হিংখিবা য়ারিবগে? লাইনিংথৌদা পীরিবা মিংথোল অসিগা লৈবাক নিংথৌদা পীরিবা মিংথোলগা করিদা নক্লবা য়াওরিবগে? কনা অমনদি নিংথৌ হায়না শীজিন্নবসি পঙলিবা ওইনা লৌবগুম হায়বসু য়াওনরিবনি। লৈবাক্কী য়াইফনবা থৌদাং লৌবগী মহুত্তা চাউজনীংবগী ৱাখল্লোন অমনা হেন্না লুম্না লৌবগুম খন্নরিবনি। নাপল নত্তবা থৌদাংদু লৌবা ঙম্বগী ৱাদুদি করপটেদ ওইনা লৈহৌবসু মাল্লল্লি। পিবা ময়ামগী লুচিংবা পিবারেল অমগী থৌদাং অদুদগী নান্থোকপা য়াবদি নৎত্রি। মালেমগী লো অমত্তনা পিবারেলগী থৌদাংদু মুনখিবা ঙম্বসু নৎত্রি।

চীংদসু নিংথৌ লৈহৌরি, দিভলপমেন্টকী থবক্তসু য়াওশিল্লি, দবল গভর্ণমেন্ট লৈবগুম্বনি, ত্রিপলবু হায়বা য়ারি। সিভিলাইজ ওইরবনি হায়বদি য়ারোইদৌরি। চীংগী নিংথৌসু পিবা ওইবনি হায়গনি। নিংথৌ ওইবগী কাঙলোনগা পিবা ওইবগী কাঙলোনগদি মান্নরিব্রা? নিংথৌসু শিনবা হায়নরিবনি, পিবাসু শিনবা য়ানরিবনি। করিগী ওইনীংবা য়াওনরিবনো, মীয়াম্না য়াবা হায়রবদি মীদু অফবা ওইগদৌবনি দেমোক্রেটিক ওইনা খনবসু য়াবনি। নিংথৌ খনবা নৎত্রগা পিবা খনবসি কদায় ফাওবা স্পিরিচুয়েল ওইবা য়াওবিগে? দেমোক্রেটিক ওইবা য়াদ্রিবরা? য়েৎনবা য়াওরিবনা করিগীনো? হৌজিক ফাওবা করিগী নিংথৌ কৌনীংলিবনো? হোংবা য়াদনা চৎনরবা, অচুম্বনি হায়বা কাঙলোন অমা ওইনা লৈরব্রা? মদু লৈত্রগনা করপটেদ ওইনা, লান তৌরগসু হোংবদি য়াবা নিংথৌ, লান্না তৌরগসু হোংবা য়াবা পিবা খনবগী কাঙলোন অমা চৎনরিবনি হায়বা তারল্লিব্রা? পিবা খন্নবদা চুমদবসু য়াওরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা অদুম লৈবগী ৱাখল্লোন লৈনবগুম্বনি । মসি পূম্নমক চুম্বদি য়াই নৎত্রগা পঙবগী ওইরম্বসু য়ারিবনি। পুক ফৎনদবা, ওইজবা থিবা, অচাউরম কাবা, অঙম তান্নবা য়াওবা হায়বসিদি অচুম্বা হায়বদুদি নত্তে। নিংথৌবু পিবারেল কৌনরিবসিনি, লান তৌরগা পিবা মুনবদি য়ানব্রা? শিনবা য়াবগী মরম ময়ামদি লৈরিবনি। লানগেরা-চুমগেরা শিন্নরি, হোংনরি। অঙম তান্নরি।

দেমোক্রেসি চৎলবা লৈবাক অমদা পিবা থম্নরিবসি করিগী ওইগদৌরি। লৈঙাক অমনা লৈবাক্কী থবক থৌদা পূম্নমক তৌরবসু স্পিরিচুয়েল অমসুং কলচরেলগী ওইবা ৱাফম কয়া লাকপদদি থৌদাং লৌবা য়াওদনবা থৈদোক্তুনা লৈবগুম উনরি। লৈঙাক্তি পায়নীংবা, খুন্নাইগী থৌরম থৌদা পূম্বদি পুবা ঙমদবগী মমি তাবনি। এক্সপরিয়েন্স ৱাৎপা নৎত্রগা থবক চিনবা তনবা অমসুং পামদবা ওইবা য়ারিবনি। নাকল অমদনা পৈশা তিংদনবা, পিবা অমসুং পিবারেলগী থবক খাক্তুনা থল্লম্বগুম্বনি। খুদম ওইনা লাইগী থৌরম হায়বসি লৈঙাক্না পায়রুবা মতমদা খূৎলোয়বা ঙমদবগী থাক অমদা লাকপা য়ারিবনি। লাইগীদমক পৈশা তিংদবা য়াদবা মরম ময়াম লৈরিবনি। পৈশা য়াম্না কৎনবা লাইদি লৈঙাক্না লৌশিনবা, পৈশা কৎনদবা লাই ময়াম্না লৌশিন্দবা, সেক্যুলরিজমনি হায়রগা লাই অমখক্তদা থৱায় য়াওবসু মানবা লৈঙাক ওইরি। লাই পূম্নমক লৈঙাক্কদি মরী লৈনদে হায়গনি, নিংথৌ অমসুং পিবাশিংদা লাই ময়াম অমা ইন্থোক্লগা থল্লম্বগুম্বনি। লৈঙাক পায়রিবা মীওই খরনা লাইগী মপু শারগা স্পিরিচুয়েলিজম অমা ঙাক শেন্দুনা থম্বগুম উহল্লি, হোরিবদি কাঙলূপ অমখক্তগী মাল্লকপসিনি। মদুদগী ওইবসু য়ারিবদি মোরেল স্পিরিচুয়েলিজম মাঙথরকপা মাল্লকপসিসুনি। স্কুল ওফ থোট শাগৎলিবা স্কুলশিংদনা ক্লারিকেল এদ্যুকেসন্দমক পীদুনা লৈবগুম্বনি। মসিগুম্বা চমম্লবা কয়া লৈবদগী মোরেল ইন্সটিট্যুসন ওইরিবা ত্রেদিসনল স্কুল কয়া মাঙথখিবনি। কলচরগী ত্রেদিসনল ওথোরিটি ওইরিবা রোয়েল কাউন্সিল অমগী তঙাইফদবদি হেনগৎলল্লি। মাঙথখ্রিবা ত্রেদিসন অদু শাগৎনবা কাউন্সিলগী মপাঙ্গল কন-খৎহনবগী তঙাইফদবদু লাক্লি। থবক ওইনসু উদ্রি হায়গনি।

ঙসিদি লমদম অসিগী রোয়েল কাউন্সিল অমা ওইবগী মপাঙ্গল ইরৈ লৈরক্তবগুম উহল্লে। লাইগী থৌরমশিং ফাওবদা মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমদ্রে, মানা মানা থোকপা মনীং তম্নরে। লাইনীং খুদিংমক্তা পিবারেল অমা ওইবগী পাৱর এক্সর্সাইজ তৌবা ঙম্বা উদ্রে। কষ্টম অদুমক মাঙহনখ্রবগুম উহল্লে, খুঙ্গং অমগী কষ্টম্না ঙম্না চৎপা মাল্লক্লে, লাইনীং খরদি মনীং তম্না থাদোকপগুম তৌখ্রে, পিবারেলগা মরী লৈনদবগুম তৌখ্রে। লাইনীং ময়াম চঙশিল্লকপদা কন্ট্রোল তৌনবা বোদি অমত্তা লমদম অসিদা লৈত্রে। লৈঙাক্কী মথৌ লৈতবগুম লৈথোক্তুনা লৈখ্রে, হায়দা হায়রুরগা সেক্যুলরিজমনি হায়গনি, অশেংবদি মুখরক্লবগী শাজৎ অমনি। সেক্যুলরিজম হায়রগা লাইনীং অমনা লাইনীং অমা মুখৎপা য়ানবা শিনবগুম থোক্লি, শন্দোকপা পান্বশিংনা শন্দোকপা লেপ্তুবা, শন্দোকপা ঙমজদবা অমনা মুৎচখিবা তারল্লিবনি। লাইশঙ পংশাদা শাবা য়াহনগনি, লৌবুক ফাওবা লাইশঙ শাবদা অথিংবা লৈতে। মচেৎ মকায় নায়বা লেন্দ-লো অসিনা কাঙলূপ অমগীদি অথিংবা পীবি, লোনি হায়রগা মীয়াম্বু মান্ননা য়েংবগী ৱাদি লৈতে, মশানা মশাবু কঞ্জনবা হোৎনবা ফাওবা অথিংবা পীবা য়াওরি। পঙলিঙৈদা বামোন লাইগীদমক পীথোক্লুবা লম, হান্নগী মপুনা অমুক লৌশিনবা য়াওনরল্লি। চীংদা লৈরিবা চহী খুদিংগী খুরুম্নরিবা লাইগী লম্না লেন্দ-লো অসিনা লাইগীনি হায়বদা য়াদবা য়াওরল্লি। লো ইনবদি হৈরগা লো শেম্বদি হৈত্রি। মীয়ামসু পঙয়েৎ য়েৎনবগী থাক্তা লৈরি, কাঙলূপ অমনা ফুরুপ অমগী য়েংবা মপুং ফানদ্রি হায়গনি। শক খঙনদ্রিবগুম্বনি।

ঙসিদি পিবারেল হায়রিবসি কষ্টমরি হেদনি। লোনা কষ্টমশিংগী মথক্তা লৈবগী অয়াবা এগ্রিমেন্ট লৈনদ্রি, মাগী মাগী কলচরেল সার্কল পাকথোক-চাউথোক্লবা হোৎনরি। কষ্টমশিংগী মরী লৈনরিবসি খঙদবা খুনফমগী পিবাশিংনা কলচরেল ত্রেদিসন অদু ঙাক্তবদি য়াফম থোক্তবনি। কষ্টম অমনা কষ্টম অমগী মথক্তা লৈবসু য়াগদৌবসু নত্তে। চীংদা লৈবা লাইফমশিংদা অতোপ্পা লাইনীং চৎপশিংনা অয়েৎপা পীবা য়াফম থোক্তে হায়বসি দেমোক্রেটিক সিটিজন পূম্নমক্লা খঙমিন্নবা চঙই। কাঙলূপ অমনা মপা-মপুগী খুভম ওইরিবা চীংগী লাইফমশিংদা লাই খুরুম্বা অমসুং লাইফম শীজিন্নবা থিংফম থোকপরা? মসি পূম্নমক পিবারেলনা তৌগদৌবা থবক থৌদা ওইগনি। থবকশিং অসি লেপ্নরুবদগী ৱা য়াম্নবা য়াওদবা নত্তে। হৌজিকসু মপু পান্দবা মফম লৈরি। লোগী ঙাক শেন্নবা থবক পায়খত্তবা মফম কয়ানি। অপূনবা নাট ময়ামসিগী কলচরেল ওথোরিটি অমা লৈত্রি হায়গনি, মান্নদবা লাইনীং ময়ামসিগী অপূনবা ওফিসিয়েল ওথোরিটি অমা লৈফম থোকই। কাঙলূপকী ওইনা লৈবা অসিনা লোইদে, ষ্টেটকী ওইবা অমা লৈফম থোকই, লৈগদৌবনি। লাই অমগী মিংদা লৈগদৌবা নত্তে, কাঙলূপ অমগী মিংদা লৈগদৌবসু নত্তে।

পিকপা চাউবা, নেম্বা-ৱাংবা য়াওদবা লোইশঙ অমগী মখাদা কলচরেল ইন্টিগ্রিটি অমা শাগৎফমসু ওইগদৌরিবনি। অদুমক শাগৎহৌদবদগী লৈবাক অমা চাউনা পাল্লম্বদগী পুমচায় চায়না মাঙথরক-খবা ওইবসু য়ারিবনি। ঙসিদি কনানা করি তৌখি হায়বা ইখঙ খঙনরবা হায়বদুনি। ৱাজাও ঙাঙনফম নৎত্রে, ৱারেপ ঙায়নফম নৎত্রে, থবক ওইনা তৌরগদৌবনি। পিবা হায়বসিনা করিনো, পিবারেল হায়বনা কনানো, তৌগদৌবা থৌদাংনা করিনো ময়েক শেংনা উহনবা তারল্লি। মসিগীদমক থবক পায়খৎনবা থৌদাংসু লৌনফম থোকই। মদুদি খঙদনা খুন্নাই অমা ওইনা হিংবদি ঙমলোই। মুখরিবসি লোইরবনি।

ইমুং অমদা অঙাং নুপা অমা পোকপদা পিবা অমা ফংলে হায়নরিবনি, ‘মচা পিবা য়াওদে’ হায়নরিবনি। চৎনবীশিং অসি ঙাঙনরিবা মীয়ামসিগী মরক্তা শাগৈগী পিবা মুন্নরকপা য়াওনরি। মদুগী সোলুসন অমা পুথোকপগী তঙাইফদবা লাক্লি। ৱাহৈ অসিমক্কী ৱাহন্থোক খঙনরক্তবা মাল্লল্লি। ৱাপু চুম্না পুনরক্তবদগী নুপা খুদিং পিবা কৌই, নুপা খুদিং শাগৈগী পিবা ওইবা য়াবগুম্বনি, খঙনরক্তবনি হায়গনি। পিবা ওইগদৌবা মীদু লাইগী থৌরম খঙবা ওইগদৌবনি, মশা তিঞ্জেল-লাইচেন্দবা ওইগদৌবনি, য়ূম্বান চুম্বা ওইগদৌবনি হায়নিরবনি। মদুমক ফংদবা মতমদা শিনবা য়ানরিবনি, শিনবা য়ানবা মরম ময়াম পুথোক্লরিবনি। মরমশিংদু মীনা শেম্বনি। শাগৈদুগী মনুংদা শাগৈদুনা য়াবা, অহৈবা ওইগদৌবনি হায়বতনি। মশানা য়াদনা হেক্তা পীশিনবা য়াবদি নত্তে। হংবা য়ারিবা ৱাহংদি হৌজিক্কী মতমদা করিগী পিবা ওইনীংগদৌবা য়াওনরিবগে? তোলোপ ফংবসু নত্তনা, নাপল কাজবা, অচাউরম পামজবা ওইরক্কদৌরিব্রা। মরম অমা নৎত্রগা অমদগী শিনবা য়ানরি, শিন্নরি, অহলনা ওইবদগী অতোম্বনা শিনবা য়াওনরি, ইশম শম্না অমনা হেক্তা ওইবা য়াবগুম্বনি। য়ানবা মরমদি অমা হেক্তা পীশিন্নগনি। তৌবগীদি মশা শেংগদৌবনি, হৈগদৌবনি, মীনম শোরি তৌরোইদবনি হায়বনি, মোদেল অমা ওইগদৌবনি হায়বা ওইগনি। বাই ব্লদ নত্তে হায়বদি য়ানরোই হায়বসি শাগৈগী পিবা ওইবশিংগীদি চুম্বা অদুগা খুনফমগী ওইবা ৱাফমদদি শাগৈ অমনা অদুম ওইগদৌবনি হায়বদি য়ানরোই। পিবা অমা ওইবগী চাংয়েং য়াওদনা মচানি ওইফম থোকই হায়বসি চানদবা, য়ানদবা ৱাফম কয়া থোক্লল্লি। মদুগুম্বা য়াওরকপা অমসুং য়েৎনবা কয়াদগী খুনফম অমদগী খুন্নাই অমা ফবা ফত্তবগী ৱাফম লাক্লি। কঞ্জার্বেটিব ওইবা মীওই য়াওবদগী য়েৎনবা য়াবা ৱাফম থোক্লকপনি হায়বসি পিবা ওইবগী ৱাথোক ময়ামসিনা উৎলল্লি। নাকল অমদনা ফুরুপ অমা মুখৎপা য়াবগী লম্বী পীবগুম থোক্লল্লি। বামোন্না খুনগী পীবা ওইবা য়াওরকপা তারল্লি। মসি য়ৌনা চমম্লবা থোকপা য়ারিবা ৱাফমশিং লৈরবদা হৈবদি ৱাৎপা, খঙবসু ৱাৎপা মীওই অমনা পীবা ওইফম থোকই হায়না রাইট অমা লৈবদৌনা হায়বা তারবদি খুনগী য়েক্লবা, খুন্নাইগী য়েক্লবা ওইনা লৌনবা তারকপ্রা? হংনরক্কনি। পিবাগা লাইনিংগা মরী লৈনরি।

ইমুং অমগী খ্বাইদগী অহল অমবু পিবা ওইনা থবক পাঙথোকহল্লি, খরা নৎত্রগা খরদি তৌদবা য়াদবা থৌদাং পীরিবনি। শাগৈগী পিবাদনা খ্বাইদগী অহলদা পীনদে করিগী ওইফম থোকই খঙনরবরা? মশা শোন্থরকপা, থবক তৌবা ঙল্লক্তবগী ওইফম থোকই, অহলনা হায়রবদি লাইনা হায়বা ওইনা অহলদা হংলগা থৌরম তৌনরিবনি। হৈত্রবদি পিবা ওইবা ঙম্নদে, ওইনদে। পিবানা থৌদাং লৌবা চুম্নদবা কয়া য়াওনখিবদগী ফুরুপ ওইনা মাঙথরক্লিবনি, পংওই ওইবা পাম্বদুনা য়াগদৌবা নত্তে, ফম পায়বদু নত্তে থবক থৌদা পাঙথোকপদুনি মরু ওইরক্লিবদি। ফম পায়শিল্লগা অচাউরম কারগা ফম্বদু নত্তে, খুন্নাই কনবা ঙম্বদুবু পিবাগী থৌদাং হায়বনি হায়বসি খঙনফম থোকপদুনি। লাইনীং ফাওবা পিবাশিংনা ঙাক শেন্দুনা থম্নরিবনি, পিবা শোন্থবদগী লাইনীং ফাওবা শোন্থখিবা ওইবা য়ারিবনি। মপুক ফত্তবনা পিবা ওইবা য়ারোইদবনি, পিবাদি মথৌনা লৈগদৌবনি, লুচিংবা ওইগদৌবনি। মোনার্কিজমগী খুদোংচাবা লৌরগা মশা মশাগী ইমুংতগী খল্লগা পিবাফম শেন্নদুনা লৈফম থোক্তে হায়নরল্লগনি। লাই নীংবা, থৌরম হৈবা, লমচৎ চুম্বা, ঈ চুম্বা, মীচং শঙ্গন নাইদবা, থৌদাং লৌবা ঙম্বা থবক পাঙথোকপা ঙম্বসু ওইগদৌবনি। ফমদমক পাম্বা, থবক হৈতবনা পিবা ওইরোইদৌবনি, মদুদি মশাগী ওইজবা থিবনি হায়নরক্কনি। অফবা অহৈবা অনী শুরবদি ভোট তৌরগা খনবসু য়ানফম থোকই। মীয়াম্না য়াবা মীওইদা পিবা ফম থিন্দোকফম থোকই। পাথাং-পুথাংদা পীনবা হায়বসি খুন লৈকায়গী ওইনা ৱাথোক ওইরল্লবনি। ৱাখল পীকপা ইমুং খরনা নিংথৌ খুভমগুম খন্নখিবদগী মপানা হৈরবদি মচাসু হৈগল্লি খন্নখিবদগী পিবাফম হায়বসি ওইনরকখিবনি। য়েৎনবা কয়াদগী খুঙ্গং অমা, লৈকায় অমা মচেৎ মচেৎ থুগায়বগী ৱাথোক কয়া লৈরবনি, লৈবাক অমা পুমথু-থুগাইখ্রবনি। ইমুংগীদি চুম্না খুঙ্গংগীদি চানরক্ত্রবা অমনি।

লৈঙাক পায়রগনা নিংথৌনি (নীংবা থৌবা), লৈঙাক পায়দ্রগনা পিবানি। পিবানা নিংথৌ শাবা য়াবা নৎত্রে। মীয়াম্না য়ারগনা নিংথৌনি, মীয়াম্না য়াদ্রবদি পিবা নৎত্রে হায়গনি। শাগৈগী পাথাং পুথাংনা পিবা ওইগদৌবনি হায়বসি থাজনবীনি, শুথাংনা ওইদবা ময়াম লৈরে, ওইবীনবা লৈত্রিঙৈদা নম-নমদুনা পীরিঙৈগী ওইগদৌবা মাল্লল্লি। ঙসি য়াম্না পাম্নবা য়াওনরল্লিবা অসিদি মোর্কিজম পামজবগীনি হায়গদৌরিবনি, হৈবগী নত্তে। চৎনদ্রবসু য়াবা মফম পূম্নমক্তা চৎনবসু ওইরক্ত্রবা কাঙলোন হায়বদু ওইরল্লবনি। মশানা, লৈকায়না ৱারেপ লৌনবা ঙমজদ্রগা মীতোপ্পা ৱায়েন্নবগী চৎনবী শৌগৎপা তারল্লবনি।

চীংলোন লান্না, দিষ্ট্রিক্ট লান্না, খুনফম লান্না লৈখ্রগা পিবা ওইরি হায়বা চুমফম থোক্ত্রবা ৱাফমনি হায়গনি। লৈরিবা লৈকায় অদুগী, খুনফম অদুগী, শাগৈ অদুগী, চফু অদুগী অখঙবা অহৈবা অমনা পিবা ওইবদা য়েৎনফম থোক্রে, ওইবসু য়াওনরে। ওইখিবা অমগী মচা-মশুনা অদুমক ওইগদৌবনি হায়বসি ৱারী তারল্লি, ওইদবা ময়াম য়াওরল্লি। মীওই খরনা খুন্নাই অমা পায়শিনবা য়ানবা তৌখিবা লাল্লোং মানশিল্লল্লি, খৎনহন্নবা শিনবসু মাল্লল্লি। থাজবা অমদা শাগৎলগা পংয়েৎ য়েৎপনি হায়গদৌরি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।